হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ০৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২১৬শুবা মশীং

# খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল

## কুরুক্ষেত্রগী লানফম ওইহন্দবা ঙম্লরোইদ্রা

লৈবাকসিগী মনুংদা খক নত্তনা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা নুপী ঙাক্তনা ফম্বা খ্বাইদগী চাওবা কৈথেলসি খ্বাইরমবন্দ কৈথেলনি হায়বদা লান্দ্রে। পুমচুম চুন্নবা ৱাফম অমা ওইরবনি। কৈথেলসি অদুঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী লৈরক্লবা পুৱারীগী মনুংদা য়াওদুনা লাক্লবনি। বৃটিশ লাক্লবা মতুংদা ঈনা কুপ্লম্বা কৈথেলশঙশিং জিজ্ঘনা শিন্দোক্লবগীদমক শিদোক্লুবদা পোৎফম ফম্বীশিংনা মখোয়গী কৈথেল শিদোক্লে হায়দুনা ৱারৌরগা কৈথেল কানরকখিদবা অমসুং পোৎফম ফম্নরদবগী থৌদোক ফাওবা থোকখি। নুপীশিংনা কৈথেল কানরকখিদবদগী নিংথৌনা নুপাশিংবু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল কারক্তুনা ফমহনখিবদগী 'নিপা কৈথেল' হায়দুনা ফাওবা লৈরম্লিবনি। পূম্নমকসি কৈথেল অমগী মরু ওইবশিং অদুদগীনি। মীওইবা খুন্নাইদা কৈথেল হায়বসি তঙাইফদনা য়াওদবা য়াদে। নুপীনা ফম্বা, নুপানা ফম্বা, নুপী-নুপা পূন্না ফম্মিন্নবা নৎত্রগা পীকপা চাওবনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি। অদুবু পূম্নমকসিগী মথক্তা লৌউ-শিংউবনা শিনফম ওইবা মীগী মশীংনা নম্না লৈবগী মথক্তা মখল কয়াগী শেন্থোক লম্বী মতিক চানা লৈগদবা মীওই কয়াগীদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলসি হিংবদা চঙবা শেন্দোংগী শেলশিং তানফম মরু ওইবা মফম অমনি। মসিমক্লা কৈথেল অসিগী মথক-মখাগী খুদোংচাবা য়াওবা অচৌবা শঙ অহুম খন্ব্রাংননা শাদুনা পোৎফম ফম্বীশিং নে-তানা ফমহনবা হৌরক্লিবনি। অদুবু অনৌবা কৈথেলশঙ অহুমসিনা ফাওবা কোন্নরক্তবদগী হান্না লৈরম্বা ওল্ড দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মফমদসু টেম্পররি মার্কেট শেদ অমসু শাগৎলক্লবনি। মসিনসু পোৎফম ফম্বীশিংগী মশীংগা চান্নরক্লোইদবগী ফীভম লৈরকপদগী তোম্বীসনা হায় স্কুলগী কেম্পসতা ফাওবা অনৌবা কৈথেল অমা শাগৎপা হৌরক্লিবনি। থৌরাং পূম্নমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পোৎফম ফম্বীশিংগীদমক পায়খৎলকপা/পাঙথোরকপা ঙাক্তনি।

অদুবু হায়রিবা শেলসু ময়াম চঙবা, অচৌবা থবকশিংসু ওইরিবশিং অসি পাঙথোরক্লগসু হৌজিক ফাওবদা লোইশিনবা-খমজিনবা ঙমদনা কুম লায়না নারবা মীওইগী ফীভমদা লৈরক্লিবনা 'ষ্ট্রিট ভেন্দর' শিংগী ৱাফমনি। অনৌবা, অচৌবা কৈথেল শঙ অহুম শারে। টেম্পররি মার্কেটসু শারে অদুবু ৱাফমসিদি লৈখাই তাদ্রে। কুম পুদুনা চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লে। ৱাথোকসিবু মরী লৈনরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী), মাহুদ লোয়শঙ, লোয়শঙসিবু খূৎপায়নরিবা মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরনা ফাওবা অমুক হন্না থোরক্লরোইদবা ফীভমদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লরোইদ্রা? লম্ফেলদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং ফমহন্নবা কৈথেলশঙ শাগৎলে হায়বসু লৈরি। মতম খরগী মমাঙদসু পুলিসনা উতুপ-ৱাতুপ ফাওবা শীজিন্নদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদগী তানখায়রগা ফমহনখিবসু লৈরে। হৌজিকসু টেম্পররি মার্কেটতসু শিফ্ট নাইনা খায়দোক্লগা ফমহন্নবা থৌরাং ফাওবা লৌখৎলক্লে, ওর্দরসু থোক্লে। অদুবু কান্নদ্রে। করি-করম তৌরগা য়াগদগে? অন-সোল্ভ প্রোব্লেম ওইনা লৈরক্লিবসিদি ঙসি ঙরাংতগী ৱাফম ওইরক্ত্রে। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী ষ্ট্রিট ভেন্দর ওইরিবীশিংগী মরক্তুগী থোরকপা লূপ মশীংসু ওখাক য়াম্লে। য়ামজসনু, মখোয়গী পোৎফম ফম্ফম ফংজনবগীদমক হোৎনজরকপা ঙাক্তনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু সর্ভে ফাওবা তৌরে হায়। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী মশীং লিশীং মরিরোমনি হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোরকখ্রে। অদুবু সোল্যুসনদি পুরক্ত্রে হায়বনি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি কৈথেল ফম্বীশিংগী মরক্তা চিন কাংজৈ তৌনবা নত্তে। ৱাফংনবসু নত্তে। ঙাইহাক লৈতনা পুলিসকা মুক্নবসু নত্তে। আই এম সীগী ওফিস কমপ্লেক্সতা থোমজিন্দুনা প্রোটেষ্ট হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌরবসু অরোইবা ৱাতেম্বা-ৱাখৈনবা অমা পুরক্ত্রিবা ফাওবদি য়াখিরোই। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পর্মিনেন্ট ওইবা সোল্যুসন অমা অথুবা মতমদা পুরক্নবা হোৎনৌ। অঙম-তান্নবা, মুক্নবগী মহুত্তা টেম্পররি মার্কেটতা পোৎফম ফমহন্নীংলিবা পূম্নমক য়াওনা মরী লৈনবা পূম্নমক্কা তরেৎ-তরা থোক্না খন্নৌ। অমসু অমসু শন্তাইনবগী ৱাখল্লোন চেলহন্দুনা খোঙফম খরা খরা হন্দোক্নদুনা মতম চূপ্পগী ওইনা চৎনবা য়াবা ৱারোইশিন অমা পুরকউ। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলবু য়াম্না তোয়না কুরুক্ষেত্রগী লানফম ওইহনবগী থবক মখা শমথহল্লকপা চুম্লোই। কৈথেলদা ঈরাং থোক্লগা লৈবাক লাংবনি কাউগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩

১) "ৱাখলগী লৈকোল" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) "থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) "ৱাকৎ" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) "জনান্তিক" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?

৫) "অওনবা সমাজ" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হৌগৎলকপদা ঙায়রি হেঞ্জিল্লকখিনি

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



নহান নুমিদাংৱাইরমদি ইমাই! ঈ খেগৎলকপা পাখং মচা অনী গ্যাস য়েনফম অমগী শুমাঙদা তপ তাখৈ নাহী ওরো ওরো তাখৈ থিন্দৎনখ্রে। লৈরম্বা ময়াম চঙদনা নাকল নাকল ফাদোক্নরগা (ঐসু য়াওনা) মবানীবু খামদোক্লে। খামদোক খামদোক্লা কাউবা থিনবদি অদুম লেপখিদে। থিনগায়নখিবগী মরু ওইবা মরমনা তুংদা লেপ্লম্বা ফুরিৎ অঙাংবা মচু লীৎপা পাখঙ মচাদুনা অফাও শাদুনা ক্যু থুগাইদুনা মীগী ইচুম চুম্না মমাঙদা হান্না লেপচরম্মবা ফুরিৎ হঙ্গাম মপাল মচু লীৎপা পাখংমচা অদু থোক কান্থোক্লম্মগা গ্যাস লৌগে হোৎনরুবগীনি। হঙ্গামমপাল মচু লীৎপদুনা করি করিনো খজিক কল্লপ হায়রুবদগী মমল য়াম্লবা মাগী নাহী অদু তাবফাওগী থাক য়ৌনরকপনি। অঙাংবা লীৎপা অদুমসু ময়াদু তেক্লমদৌবা মাল্লি ঈ খরা মখ্যাৎতগীফাও ব্রু ব্রু কামদুনা তারকপা উরে। মমৈদা অঙাং অনীদুদা নখোয়' নখোয়গী নপা নপাদু ফোন্দা কৌ কৌ হায়দুনা ময়াম চঙদনা মশা মশাগী ফোন্দা মপা মপাশিং মফমদুদা লাক্ননবা কৌহল্লে। মমৈথংদা ৱাইনরিবা ষণ লমচা অনী অদুগী অপোকপা অহল লমনশিংদু খৎনফমদুদা গাড়ী মচা তোং তোংদুনা থিন্দনা লাক্ল রে। মবানীদু হেক উনবগা তাদ-তাদা ইনাউ হায়না হেক্তা কৌনখ্রে। অদুগদি মপা মপা অনীদু করি ওইরমগে হায়ববু লৈকায় অমত্তদগী ওইরম্মে। অমনা মনীং লৈকায়দগী, অদুগা অমনা অৱাং লৈকায়দগী। লৈকায় মশেলনি অঙাংশিংনা পঙদুনা সি থোক্লিবনি ইচিল ইনাও শাউনগুমসি হায়নরগা ৱা অদু খঙতেন তেনশিন্নখি।

অমরোমদা তোল্লবা জীবশিংদুনা থিনদৎনরিবদু মতিক চায় য়াই, থাগৎলি খৎনজসনু, ফূগায়নজসনু মরমদি মখাগীসিদংদি অমুক্তা পাবীয়ু! মহৌশাদি লৈকায় অঙাংশিং লৈকায়গী স্কুল অমদা পূন্না তমিন্নদুনা মশক মশা ইখঙ খঙনরম্মী অদুবু হৌজিক্তি লৈকায় অঙাংশিং মোবাইল ফোন পায়রগা ইমুংদা মতোম মতোমদা তূমিন্না লৈনখিবনা খরা, ইমুংদা মতোমদা টি ভি য়েংদুনা লৈনখিবনা খরা, ট্যুসন চৎনখিবনা খরা, থাপ্না থাপ্না চৎনরিবা (লৈকায় মচানা তমদবা) স্কুলদা তমখিবনা খরা, মীরৈবাক্তা লৈকায় হুন্দোক্লম্লগা লাপ্না লাইরিক তম্নখিবনা খরা, বোর্দিংদা লৈনখিবনা খরা হৌজিক্তি লৈকায়গী অঙাংশিং অমত্তা উনদুনা মশক মশা খঙননবা তাঞ্জা লৈরক্ত্রে। অসুম্মাইনা তৌরবনিনা লৈকায়সিগী অঙাং মশেল অমফাওবা মশক খঙনদবা তাবনি।

নুংশি চান্ননা লৈমিন্নজরমগদৌবা অঙাংশিংদু খঙনদ্রবনিনা ৱাহে অমা হায়নরকপদা মবুক য়েক্ল রে অদুনা লৈকায় অঙাং মশেল ইহিং নাহিং শাখৈ মীতোপকা খৎনবা অদুম্মাইনা খৎনবা ফূনবা উশিৎনদবা ইরায় লায়না ঙম্নরে। মরমসিনা মখোয়না খৎনবসি থোইনা পঙকায় কায়দেনা খল্লি।

মতম অমদা ঐগী খুঙ্গং অসিমক্তদা ক্লাস টু ফাওবা তম্বা য়াবা লৈঙাক্কী স্কুল অমা মপান ফনা হাইনা হুম্না পাল্লম্মী। অঙাংশিংনা ফম্ননবা বোরা য়াল্লগা চৎপা ফান লৈতবা উফুল ফ্রং ফ্রং হৌবা ফক্লাং ইশে শেগায়বা স্কুল অদুদা ঐখোয়গী লৈকায়গী মতমদুগী লাইরিক তম্বা য়াবা হেক লৈরম্বা অঙাং খিবিকমক অমত্তা হেক চীৎথদনা মফমদুদা হূপ্তুনা য়া য়া লাঙদুনা তম্মী। মসি নত্তবা অতৈ অতোপ্পা লৈকায় ঈৱাংমগী স্কুল অমদা ঐখোয় লাইরিক তম্বা চৎপগী ৱা লৈনরমদে। ঐখোয় পূম্বা স্কুল অসিদা তম্মিন্নরকই, চাওমিন্নরকই, শান্নমিন্নরকই, খঙনরকই। লৈকায়গী স্কুল অসিদা চাওথোই, বিরেন, রনজিৎ, নোবিন, ইঙোচা, মেরাজাও, কৈন্যাহনবী, মেমচা, নীংঙোল্লৈমা, সপনা, বিমোলা, রাধা, ইচনতোম্বী, মনিকচান্দ, ইঙোবীনচিংবগা ঐগা পূন্না তম্মিন্নৈ। লৈকায় অসিগী অঙাং পূম্নমক অমগা অমগা লোইনা চান্নৈ। লৈকায়গী ইমান্নবা ইমান্নবীশিংদু নুমিদাংৱাইরম কবাদ্দি, অথালি, ফীবুল হাবী, অমাং থাবীনচিংবা মখল মখলগী মশান্না শান্নমিন্নৈ। য়াচঙলকপগী চোঙঙাশিংনা চে চে খোংলদুনা ময়ূম শনৈবী ৱাপল মরক্তা পাইশিন্নরকপা মতমদুদা শান্নবা য়াবা শান্নমিন্নরম্লগা ঐখোয়সু স্কুলগী শান্নবুংদুদগী কায়নরগা চোঙঙাশিংদৌনা য়ূম য়ূমদা হঞ্জিল্লি।

হৌজিক হৌজিক্তি লৈকায়গী এল পি স্কুল অসিদা অঙাংশিং অমত্তা ভুট থোকপদৌনা লাইরিক লাইশু তম্নখিদ্রে। হৌরক্লিবা লৈকায়গী অঙাংশিংসু কাঙ্খথাঙ তারবা স্কুল লম্পাক অদুদা নোংমতা শান্নবফাও খোঙ্গুল তারখিদ্রে হায়দুনি। মতম অমদা, মফম অদুদা লাইরিক তম্মিন্নদুনা লৈকায়গী অঙাং মশেল মশক মশা উনরম্বদু অমুক হন্না উবা ফংখিদ্রে অমদি মখোয় মানা মানা থোকপা মকায় তৌনপ্লে। কদাই কদাইদনো লাইরিক তম্নখ্রে, বসনা লৌরবা য়াও, ভেন্না লৌরবা য়াও। লৈকায়গী অঙাংশিংসু অহল লমনশিংনা মশক মশা উগে ফংলক্তরে। এল পি স্কুল অদু মশমদু মপোক হৌরবা কৎথোক্লবা ওজা অহুমখক্লা মতম শাংনা পুরম্মী। মখোয় অহুম্মক্তু পেন্সন চৎখ্রবা মতুংদা মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না মহৈরোয় অমত্তা লৈতবা স্কুল ওইখ্রে। ওজাফাওবা লৈতবা হায়বদু ওইখ্রে।

শাবাশ! ইয়ুমগুম্লবা লৈকায়গী এল পি স্কুল অদুদগী ক্লাস টু পাস তৌরগা অৱাংবা ক্লাস (ক্লাস থ্রী) তম্নবা ঐখোয় পূম্নমক অমুক মীরৈকাইগী স্কুল অমদমুক পুল্লপ হৌদুনা মিং অমুক চনশিল্লুই। বিজেন, কান্তা, শান্তা, থোইবী, গোবিন, শান্তিকুমার, তোম্বী, অনিতা, হোমেশ্বরি, সুমিলা, গিতানচিংবা থেংনরে। য়াহু! অনৌবা মায়থোঙ ময়ামগা অমুক পুল্লুরে নুংঙাইমিন্নরে। স্কুল অদুদা তম্লমদ্রবদি মখোয় ময়াম অদু তাইবঙপাল অসিদা লৈরমগনি হায়বা ৱাখলনফাও লাম্বা ফংলুদে। কয়াদা নুংশিনখ্রবা স্কুলগী মপালদগী! অদুগী অঙাংশিংবু নুংশিনহনখিবা অনৌবা স্কুল অদুমসু কাইনথংদদি তূমিৎ কাঙফাও পাইদ্রবা মতা অমগী স্কুল অমা ওইখ্রে। ঙসিদি মমায় হঙ্গৎনা য়েংজবা ঙমদ্রবা মমায় ঙাঙলবা স্কুল অদুগী মমাঙ শম শমদুনা ফুরিৎখাউ চোল্লবা বস অমদি ভেন কয়ানা লৈকায়গী মহৈরোয় কয়া অথাপ অথাপ্পা স্কুলশিংদা হোন হোন্দুনা চৎলি।

অকোনবগী অনীশুবা স্কুল অদুদগী ক্লাস আইট অমুক পাস তৌনরগা ক্লাস টেন ফাওবা তম্বা য়াবা খজিক লাপ্পা অতোপ্পা মীরৈকাইগী হায় স্কুল অমদমুক ঐখোয় পুল্লপ হৌদুনা মিং চনশিল্লুরে। কনামতা চোইথোক্নদবীনি। অতোপ্পা অনৌ অনৌবা ইমান্নবা, ইমান্নবীশিংগী মকা লাল্লবা মায়থোঙ ফনা য়াম্নমুক ঐখোয়না ফংজরে নোকমিন্নরে। বাবানা খোঙ্গ্রাও অশাংবা অমা অমুক লৈবিদুনা মদুমুক অহানবা ওইনা শেৎলে। হান্নদি ৱারী শা শাদুনা স্কুলদা খোঙনা চৎমিন্নরম্বনি অদুবু হায় স্কুল কারকপদগীদি ঐখোয় সাইকল অমমম তোংলগা চৎলি। সাইকল অমদা ঐখোয় অহুমফাওবা নমশিন্দুনা চৎপা য়াওনৈ। তুং ওন্থোক্লগা সাইকল ফ্রেমদা, ধোরাদা, হেন্দলদা, কেরিয়রদা তোংবা, মখল মখলনি তোংবদসু। ঐখোয়গী লৈকায়গী ইরিল তুরেলগী হিদেন তাফমদা মরুপনৌশিংসু লাক্তুনা য়াহু লাউরদুনা তুরেলদা চোংথ চোংথদুনা ইরুজমিন্নররে, ঈরোইমিন্ননরে। ঐখোয়সু মখোয়গী লৈকায়গী চীংদা কাদুনা হৈত্রোই হেক্লগা চামিন্নরুই। মতমদুদা লৈকায় অনী অহুম অসিগী অঙাং খুদিংমক উনবদা মশক মশা খঙনদবা অমত্তা য়াওনরমদে। ঐখোয়না তম্লকপা হায় স্কুল অদুসু হৌজিক্তি মতমগী ঈচেল ঈরৈনা কাওশীং কাওরাং ওইনা অদুম চেন্থখ্রে। কনাদা তাইনরুনি? অঙাংশিংদা তাইনরুগদ্রা?

মতম অসিদদি, মতমগী থৌইনশিন মতুংইন্না বস নৎত্রগা ভেন তোংদুনা নৎত্রগা বোর্দিংদা লৈদুনা মানা মানা পামজবা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা লাপ্না লাপ্না চৎতুনা লাইরিক তম্নখ্রে (মথক্তসু পঞ্জখ্রে)। লৈকায়গী অঙাং কয়া তানখায়বিরবা শল্লুপকুম্না কাংজাই ফুজাইনখ্রে। বোর্দিংদা লৈতবা লৈকায়গী অঙাংশিংসু অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং পাদুনা ট্যুসন চৎপদদা মখোয় মশেল মশক মশা অমত্তা উনবা ফংখিদ্রে। মখোয় অদুনা নুমিদাংৱাইরমগী ট্যুসন লোইরগা হল্লকপদা শান্নবুংদা থোরক্লবা মখোয় মতম ঙাইহাক শংলে হায়না খল্লসু য়ূমদগী মপাল থোক্লবা নুমিৎ লৈত্রে। ইমুংদা ফল্লগা ফমুংদা হীপ্লগা মোবাইল ফোন অমা মেৎলগা গেম শান্নবা, টি ভি য়েংবা নত্তনা করিসু তৌনখিদ্রে অদুনদি খুঙ্গংগী লৈকায় অমগী লেংমান্নবা অঙাংশিং কদাইদা উনরগা মশক মশা খঙনদৌরিনো? শাগৈগী মখুরা, মতোল, মনে, মচেম উনবদফাওবা মীতোপ মীয়ানচা উনবদৌনগা কৌ লাক্ত্রে। অঙাং অমগা অঙাং অমগগী মরক্তা মাইল লিশীং লিশীং লাপ্লখ্রে। হায়রিবা অসিসু খুঙ্গংদনি হায়রিসে। সহরগী ৱা ঙাক্তা নৎখিদ্রে, খুঙ্গংদফাও য়ূমলোন্নবা ইমুং অনীগী অঙাংশিং চেকপল খাজিন্নদুনা উনবা ফংনরক্তবগী ফীভম য়ৌরকখ্রে চহী তরামুকসিদা। নহানগী নাহী তানখিবদু মমায় মমিৎ কায়নখিবদু অঙাং মশেল মশক মশা হান্না খঙনরম্লবদি ইচম চম্না মোমোন মোমোন নোক্নরগা তোক্লম্বা য়াই। হৌজিক্তি অঙাং অমত্তা নক্নদ্রে। মীগা মীগা লাপ্লবা পোকপদগী অদুম হৌরে। লৈকায়দা অফ অফবা স্কুল হিংন্নীংলকই। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ নাওশেকলৈ # ৩৬৬

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

নাওশেকলৈ হায়রিবা পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা হীরম কয়ামরুমদা মগুন লৈনা শীজিন্নবা পাম্বীলক্তগী অমনি। নাওশেকলৈ পাম্বী অসি ইংলিসতা স্বিট বেসীল (Sweet basil), নৎত্রগা হেরী বেসীল (Harry basil), হিন্দিদা বাৱারি-বাৱাই (Bawari bawai), সংস্কৃটতা বর্বেরী (Berbery), অসামিজদা রাম-তুলসী (Ram tulasi) নৎত্রগা রাম-তুলোসী (Ram tulosi), পঞ্জাবীদা নিয়াজবো (Niazbo), আয়ুর্বেদিক্কী ওইবা মমিংদা বার্বারী (Barbari) নৎত্রগা তুভারী (Tuvari) নৎত্রগা বাবুই তুলসী (Babui tulsi), য়ুনানিদা ফরনজমিস্ক (Farnjmisk), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা ওসিমম বেসিলিকম (Ocimum basilicum L.) নৎত্রগা ওসিমম এলবম (Ocimum album L.) নৎত্রগা ওসিমম এনিসেতম (Ocimum album L.) নৎত্রগা ওসিমম এনিসেত্তম (Ocimum anisatum Benth.) নৎত্রগা ওসিমম বুলেতম (Ocimum thyrsiflorum L.) হায়না কৌই অমসুং লেমিয়েসী (Lamiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - তুলসী পাম্বী (ওসিমম সেঙ্কম - Ocimum sanctum L.), তুকমা পাম্বী (হিপতিস সৌভিওলেন্স - Hyptis suoveolens Poit), ময়াংলেম্বুম পাম্বী (ল্যুকাস এমপেরা - Leucas aspera Spreng), নুংশি হীদাক পাম্বী (মেন্থা আর্ভেন্সীস - Mentha arvensis L.) অসিনচিংবনি। নাওশেকলৈ পাম্বীগী জিন্সকী মমিং ওসিমম হায়বসি গ্রীক্কী ৱাহৈ ওজো (Ozo) হায়বগী অর্থদি মনম য়াম্না চেনবা অসিদগী লৌথোকপনি অদুগা স্পিসিসকী মমিং বেসিলিকম হায়বসিনা গ্রীক্কী ৱাহৈ বেসিলিয়স (Basileus) হায়বগী অর্থদি কিং (King) হায়বদি নিংথৌ হায়বসিদগী লৌথোকপনি। মসিগী মপূং ওইবা অর্থদি নাওশেকলৈ পাম্বী অসি মনম নুংশিবা পাম্বীশিংগী মনুংদা থোইদোক-হেন্দোকপা মগুণ অদুদগীনি।



নাওশেকলৈ পাম্বী অসি মীওইবনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক্তা মনম য়াম্না কনবা হঙ্গাম মপাল চংলপ তৌবা ইসেন্সিএল ওইল হায়বা থাও মখল অসি য়াওজরবসু পাম্বী অসিগী লৈদা চাদা ১.৫গী চাংদাদা য়াওই। হায়রিবা থাও অদু তীল-কাং তানবগী হীদাক শাবদা মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। নাওশেকলৈ পাম্বী অকংবা মকুপ অদু চাইথোকপদা মনা-মশিংদা তাবা লায়না-তীলনা অদু হাৎপা ঙম্মী হায়না পাউদল্লি। য়ূমগী অকোয়বদা নাওশেকলৈ পাম্বী অসি থাবদা য়ূম অদুদা কাং, হয়িং অমসুং তীল লাকপদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী। পৃথিবীগী মফম কয়ামরুমদা নাওশেকলৈ পাম্বীগী মনা অদু এঞ্জাং থোংবদা মনম নুংশিনবা অমদি মহাউ হেঙ্গৎহন্নবা ওইনা হাপ্লে। ভিটামিন এ, ভিটামিন সী, ভিটামিন কে, কেলসিয়ম, আইরন, মেগনেসিয়ম, মেঙ্গানিজ অমসুং পোটাসিয়মগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওরিবা নাওশেকলৈ পাম্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু পিজ্জা (Pizza), শিংজু (Salad) অমসুং শা-ঙা থোংবদা মহাউ অমসুং মনম নুংশিহন্নবা মচাক অমা ওইনা হাপ্লে। পাম্বী অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুনশিং লৈবদগী পাম্বী অসিবু কিং ওফ হর্বস (King of herbs) হায়নসু কৌনৈ।

নাওশেকলৈ পাম্বীগী হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অসি থোইদোক-হেন্দোক্লা শীংথানীংঙাই ওই। য়াম্না অরিবা মতমদগী হায়বদি সিধা (Siddha) অমসুং আয়ুর্বেদ (Ayurveda) গী লায়েং পথাপ্তা নাওশেকলৈ পাম্বী অসি অনা-লায়েং মখল কয়ামরুমদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। নাওশেকলৈ পাম্বীগী নুংশিরবা মনম অসি য়ুজেনোল (Eugenol) অমসুং লিমোনিন (Limonene) হায়রিবা কম্পাউন্দশিং অসি য়াওবননি। নাওশেকলৈ পাম্বীবু থিজিনবদা য়ুজেনোল, রোজমেরিনিক এসিদ (Rosamarinic acid), এপিজেনিন (Apigenin), মিরতিনেল (Myrtenal), ল্যুতিললিন (Luteolin), বিতা-সিতোসতেরোল অমসুং কার্নোসিক এসিদ (Carnosic acid) শিং অসি চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না কেন্সর লায়না মখল খরা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা পাউদল্লি। মসিগী মথক্তা উনশাগী লায়নাশিংদসু থোইদোক্না কান্নহল্লি। নাওশেকলৈ পাম্বীদা এন্টিওক্সিদেন্ট (Antioxidant) চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না মীওইববু থুনা অহল ওইশিনহনবগী খোঙজেল অদু তপথহনবদসু মতেং পাংবা ঙমগনি। নাওশেকলৈ পাম্বীদা কেরয়োপাইলিন (Caryophyllene) গী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা অর্থ্রাইটিসকী লায়না অমসুং চাকখাও নাবা অমদি থজিন শাওগৎপদসু থোইদোক্না কান্নহল্লি। নাওশেকলৈ পাম্বী অসি মখল খরগী হীংকুপশিং মরু ওইনা বেক্টেরিয়াশিং হাৎপা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওবা মরম্না মরক-মরক্তা পাম্বী অসিগী মনা অদু সলাদ ওইনা চাবনা মীওইবগী হকচাংদা বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা অমাঙ অতাশিংদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি হায়না পাউদল্লি। নাওশেকলৈ পাম্বীগী মপাল অদু কার্মিনেটিভ (Carminative) হায়বদি পুক নুংশিং কাবা অদু ফহনবা ঙম্বগী মথক্তা হক্কী ঈশিং য়াম্না লীক্লা চত্তুনা য়াম্না শাবা অমদি নাবদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। লোক থুংদুনা নাতোন ফুনবা অমদি খৌনাও মরেং-মরেং চৎপদা নাওশেকলৈ পাম্বীগী মপান অদু মতম খরা শায়দুনা চাশিনবদা কান্নবা ফল ফংবা ঙমগনি। কনাগুম্বা মীওই অমা খোঙ হামথরবদি নাওশেকলৈ পাম্বীগী মরু অদু শুগাইরগা ঈশিংদা পুং ১-২ রোম তীংলগা লৌবা মহী অদু পীথকপদা ফহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদল্লি। নাকোং লাইখুন তৌদুনা চীকপা-নাবা অমদি খোঞ্জেল তাবা ৱাৎপদা নাওশেকলৈ পাম্বীগী মনা শুগাইরগা দ্রোপ ওইনা হাপ্তুনসু লায়েংনৈ। নুপীনা ফিঙৌ চৎপদা নাওশেকলৈ পাম্বীগী মনা পীজবদা কান্নহল্লি। মনাগী মহী অদু পীথকপদা নুপীনা অঙাং উন্নবগী চৈনা অদু হন্থহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদল্লি। ●